# মোদিগী কেবিনেট রিসফলদা অনৌবা মিনিষ্টর ২৭ হাপচিল্লবা য়াবগী থাজবা লৈরে

ন্যু দেল্লী, জুন ২৬ (এজেন্সী):

জে এন্দ কেগী ওল-পার্টি মীটিং লোইখিবগা লোয়ননা কেবিনেট রিসফলগী খোঙথাং থুজিল্লকপা য়াবগী থাজবা হেনগৎলক্লি।

হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী অচৌবা রিসফলদা পোলিটিকেল হেভিৱেটশিং- জ য়োতিরাদিত্যা সিন্দিয়া, সুশিল মোদি, সর্বানন্দ সোনোৱাল, নরায়ন রানে অমসুং ভুপেন্দর য়াদব য়াওনা অনৌবা মিনিষ্টর ২৭ হাপচিল্লবা য়াই হায়না থাজনরি।



নরেন্দ্র মোদি গভর্ণমেন্টকী অনৌবা মিনিষ্টরশিং ওইনা থুনা ৱাশক লৌরবা য়ারিবা মীওইশিংগী মনুংদা হৌজিক্তি বি জে পিদা য়াওরবা মধ্য প্রদেশকী হান্নগী কোংগ্রেস হেভিৱেট সিন্দিয়া, বিহারগী হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর সুশিল মোদি, বি জে পিগী সিনিয়র ওর্গনাইজে সনল হেভিৱেটশিং ওইরিবা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ভুপেন্দর য়াদব (রাজস্থান) অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীখলদা বি জে পি কেম্পেইনগী চার্জ পুহনখিবা মধ্য প্রদেশকী কাইলাস ভজাভার্গিয়া য়াওরি।

বি জে পিগী স্পোক্সপর্সন অমসুং মাইনোরিটি ফেস ওইরিবা সয়েদ জাফর ইস্লামসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টদা অচৌবা রোল অমা পীরবা য়াই। নৌনা মিনিষ্টরশিং ওইহনগদবা কেন্দিদেটশিং লিষ্ট অদুদা অসামগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱাল অমসুং মহারাষ্ট্রগী হান্নগী সী এম নরায়ন ৱানে মহারাষ্ট্রগী এম পি প্রীতম মুন্দেসু য়াওরি।

মথং চহীদা বি জে পিগী য়াম্না মরু ওইবা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা উত্তর প্রদেশতগী বি জে পি য়ু পিগী চীফ স্বাতান্ত দেব সিংহ শোয়দনা য়ুনিয়ন কেবিনেটতা য়াওরগনি হায়না লৌবা য়াই। রিসফল অসিদা অনৌবা মিনিষ্টরশিং ওইহনবা য়াই হায়না খন্নরিবা ষ্টেট অসিগী অতৈ লীদরশিংগী মনুংদা মহারাজগঞ্জগী এম পি পঙ্কজ চৌধরি, ভারুন গান্ধি অমসুং এলাইন্স পার্টনর অনুপ্রিয়া পাতেলসু য়াওরি।

মোদি গভর্ণমেন্টতা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওইরম্বা পি পি চৌধরি য়াওনা রাজস্থানদগীসু রিসফল অসিদা লীদর কয়া য়াওরবা য়াই।

বিহারগী ওইনা চিরাগ পাসৱানগী মায়োক্তা পোলিটিকেল ঈরাং হৌখিবা এল জি পিগী পাসুপতি পরাস অমসুং জে দি য়ুগী নোমিনেসনশিং-আর সী পিশিং অমসুং সান্তোস কুমার য়াওরবা য়াই হায়না পারি।

কর্নাটকাগীদি রাজ্য সভা এম পি রাজীভ চন্দ্রসেখরনা রিপ্রজেন্ট তৌরবা য়াই। গুজরাতকী বি জে পি প্রসিদেন্ট সী আর পাতিল অমসুং অহমেদবাদ ৱেষ্টকী এস পি কিরিত সোলাকি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা য়াওরগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। হরয়ানাগী ওইনা হান্না ইনকম টেক্স ওফিসর ওইখিবা সির্সরগী এম পি সুনিতা দুগলসু প্রোবেবলশিংগী লিষ্টতা য়াওরি।

দেল্লীদগী য়াওগদৌরিবা অমত্তা ঙাইরবা পার্টিগী লীদরদি ন্যু দেল্লীগী এম পি মীনাক্সি লেখিনি। রাম বিলাস পাসৱান অমসুং সুরেস অঙ্গদিগুম্বা মিনিষ্টর খরা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অমদি অকালি দল অমসুং সিব সেনানা এ দি এদগী তোকখিবদগী রিসফল অসি মথৌ তারকপনি।


# কোভিদ ভেরিএন্টশিংগী স্পাইক প্রোটিনশিংদা অহোংবা লাকপনা ভেক্সিনশিং কান্নহন্দবা য়াই

ন্যু দেল্লী, জুন ২৬ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯ থোকহল্লিবা ভাইরস সার্স কোভিদ-২ অসি লেপ্তুনা হোংবনা মখা তানা ম্যুটেসন তৌদুনা অনৌবা ভেরিএন্টশিং থোকহনবা অমদি ভাইরস অসিগী স্পাইক প্রোটিনদা অহোংবা লাকহনবা য়াই। অসুম্না স্পাইক প্রোটিনদা লেপ্তুনা অহোংবা লাকপা অসিনা হৌজিক প্রোটিন অসিবু টার্গেট তৌদুনা শীজিন্নরিবা ভেক্সিনশিং কান্নহন্দবা য়াই হায়রি।

সার্স কোভিদ-২গী মথক্কী কুয়োমদা য়াওবা স্পাইক প্রোটিনশিংনা ভাইরস অসিবু মীওইবগী সেলশিংদা নপশিনবা অমদি চঙবা ঙমহল্লিবনি।

য়ু এসকী বোষ্টোন চিলদ্রেন্স হোস্পিটালগী রিছার্চরশিংনা য়ু কেদা হান্না থেংনখিবা অলফা ভেরিএন্ট অমসুং সাওথ অফ্রিকাদা হান্না থেংনখিবা ভেরিএন্ট বেটাগী স্পাইকতা অনৌবা প্রোপর্টিশিং য়াওরম্বা থেংনখি। স্পাইক প্রোটিনদা অহোংবা লৈবা অসিনা অলফা ভেরিএন্টপু থুনা শন্দোকহল্লি অমসুং বেটা ভেরিএন্টপু ইম্যুন রেস্পোন্সশিংদগী থৈদোকপা ঙমহল্লি। মসিনা ঐখোয়গী ভেক্সিনশিং



অপদেট তৌদুনা ইম্যুন রেস্পোন্সশিং হেনগৎহনবা মথৌ তাই হায়বগী ইঙ্গিৎ পী।

হৌজিক শীজিন্নরিবা ভেক্সিননা থোকহল্লিবা এন্টিবোদিশিংগী মতিক ময়াই ম্যুটেসনশিংনা হন্থহল্লি হায়না বোষ্টোন চিলদ্রেন্স হোস্পিটালগী মোলিক্যুলর মেদিসিনগী দোং, বিং চেননা হায়রি।

চেননা হায়, বেটা ভেরিএন্ট অসি অতৈদগী হৌজিক শীজিন্নরিবা ভেক্সিনশিংদা রেজিষ্টেন্ট ওইবগী চাং ৱাংই। হৌজিক শীজিন্নরিবা ভেক্সিন খূদিংমক কোরোনাভাইরসপু ঐখোয়গী সেলশিংদা নপ্তুনা লৈবা অমসুং চঙবা ঙমহল্লিবা ভাইরস অসিগী সর্ফেসতা য়াওবা স্পাইকশিংদা টার্গেট তৌই।

'সাইন্স'তা ফোঙবা অনৌবা ষ্টদি অদুদা ক্রায়ো-ইলেক্ট্রোন মাইক্রোস্কোপি (ক্রায়ো-ঈ এম) শীজিন্নদুনা ওরিজিনেল ভাইরসকী স্পাইক প্রোটিনগা অলফা অমসুং বেটা ভেরিএন্টশিংগী স্পাইক প্রোটিনশিংগা চাংদম্নখি।

ভাইরসকী ষ্ট্রক্টচরেল মরী লৈনবা ফাইন্দিংশিং অদুনা বি ১৩৫১ হায়নসু খঙনবা বেটা ভেরিএন্টকী ম্যুটেসনশিংনা মফম খরদা স্পাইক সর্ফেসকী মওং মতৌদা অহোংবা লাকহল্লি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী। মসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক শীজিন্নরিবা ভেক্সিনশিংনা থোকহল্লিবা ভাইরস লাকশিনবা ঙম্বা এন্টিবোদিশিং বেটা ভাইরসতা নপশিনবা ৱারকপদগী ভেক্সিন কাপ্পবা ফাওবদা ভাইরস অসি ঐখোয়গী ইম্যুন সিষ্টেমদগী থৈদোকপা ঙমহনবা য়াই।

অদুম ওইনমক ষ্টদি অদুদা বেটা ভেরিএন্টকী ম্যুটেসনশিংনা ভাইরসকী স্পাইক প্রোটিনশিং অদুগী এ সী ঈ ২দা নপশিন্নবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থহল্লি হায়বসিসু খঙখি। অসিনা ভেরিএন্টকা চাংদম্নবদা শন্দোকপগী চাং নেম্লিবনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পী।

অলফা ভেরিএন্ট (বি ১১৭) কী ওইনদি স্পাইককী জিনেটিক চেঞ্জনা ভাইরস অসিবু এ সী ঈ ২ রিসেপটরশিংদা হেন্না চেকশিন্না নপশিনবা ঙমহন্দুনা লৌনগনবগী চাং হেনগৎহল্লি। অদুম ওইনমক হৌজিক্কী ভেক্সিনশিংনা থোকহল্লিবা এন্টি-বোদিশিংনা ভেরিএন্ট অসি মাঙহনবা নৎত্রগা হাৎতোকপা ঙম্মী হায়বসি টেষ্টতা খঙখি।

# কোভিদতগী ফরবা অমসুং ভেক্সিন দোজ ২মক কাপ্পবা নুপী ১ দেল্টা প্লস পোজিটিভ ওইরে

জয়পুর জুন ২৬ (এজেন্সী):

রাজস্থানদা থেংনবা দেল্টা প্লস ভেরিএন্টকী অহানবা কেস ওইনা হৌখিবা মেদা কোভিদ-১৯দগী ফখ্রবা অমসুং ভেক্সিন দোজ অনীমক কাপখ্রবা মশাগী চহী ৬৫ শুরবী নুপী অমা অনৌবা ভেরিএন্ট অসি পোজিটিভ ওইখ্রে।

অদুম ওইনমক, নুপী অদু মশা-মঙ ফনা লৈ হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা কনফর্ম তৌখ্রে। মসিগা লোয়ননা হৌজিক রাজস্থান অসি অনৌবা ভাইরস ষ্ট্রেন অসি থেংনবা লৈবাক অসিগী নিপালশুবা ষ্টেট ওইরে। বিকানরগী পি বি এম হোস্পিটালগী সুপরিন্টেন্দেন্ট পরমেন্দ্রা সিরোহিনা হায়, পেসেন্ট অসিগী সেম্পল মে ৩১দা এন আই ভিদা থাখি অমসুং নুমিৎ ২৫নিগী মনুংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা রিপোর্ট থারকখি। মখা তাবা এক্সন লৌখৎনবা রিপোর্ট অদু বিকানর দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরদা অমুক থাখি। বিকানর সী এম ঐচ ও ও পি চাহরনা হায়, নুপী অদুগী য়ুম অমসুং অকোয়বদা ত্রেসিং তৌনবা স্পেসল ইন্সট্রক্সনশিং ইস্যু তৌখ্রে। হৌখিবা থাদা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখিবা এরিয়া অদুগী মীওই খূদিংমক অমুক হন্না টেষ্ট তৌরগনি। নুপী অসি হান্না কোভিদ ইনফেক্সনদগী ফখ্রবনি হায়নসু চাহরনা ফোঙদোকখি।

রাজস্থান গভর্ণমেন্টনা ইস্যু অসি লুনা লৌই হায়না পল্লদুনা সী এম অশোক গেলোটনা হায়খ্রে মদুদি লাইচৎ থিংবগী থবকশিংদা অহোবা অমত্তা লৈহল্লোই। ষ্টেট অসিদা দেল্টা প্লস ভেরিএন্ট শন্দোরক্তনবা অনৌবা গাইদলাইনশিং থোক্লগনি।

দেল্টা প্লস ভেরিএন্ট থেংনরবা লৈবাক অসিগী অতৈ ষ্টেটশিংদি মহারাষ্ট্র, মধ্য পদেশ, পঞ্জাব, জম্মু এন্দ কাশ্মির, কর্নাটকা, টামিল নাদু অমসুং কেরেলানি। কেস ২১গা লোয়ননা অনৌবা ভেরিএন্ট অসিগী পেসেন্ট মশিং মহারাষ্ট্রনা খ্বাইদগী য়াম্মী।

# বি জে পিগী লীদর হাৎপদা চেন্নবা ৩ ফারে

বেঙ্গলুরু, জুন ২৬ (এজেন্সী):

বেঙ্গলুরুদা বি জেপিগী লীদর রেখা কাদিরেশ হাৎপদা চেন্নবা মীওইশিংনি হায়না চিংনবা মীওই অহুম অমসু বেঙ্গলুরু পুলিসনা ফারে হায়না থাংজ নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা মখা তানা ফোঙদো-রকপদা রেখা মীহাৎকা মরী লৈননা ফাবা মীওই মঙা শুরে। মহাক শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিলগী মতমদা মীওই কাঙবু অমনা থাঙ-তেন শীজিন্নরগা হাৎখিবনি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, এক্যুজ অহুমদুগী মমিংশিংদি ষ্টেফেন (২১), অজয় (২১) অমসুং পুরুসোতম (২২)নি। মখোয় লোইনমক বেঙ্গলুরুগী কোটোনপেটতগীনি। পুলিস টিমনা পিতর এলিয়স লম্বুপিতর (৪৬) অমসুং সুর্য়া (১৯) ইরাই নুমিৎকী অহিং নোংয়াই মতুংদা ফাখি। মখোয় নোংমৈ কাপ্পবা মতুংদা ফাখিবনি।

মীওই মঙাদুগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম রেখাগী মপুরোইবা কাদিরেশকা মরী লৈনৈ। মহাকসু কুমজা ২১১৮গী ফেব্রুৱারীদা মান্নবা মওংদা হাৎখ্রবনি। ফারবা এক্যুজশিং অসি কোতোনপেট এরিয়াদা ওপরেট তৌরিবা কাদিরেশকী ক্রিমিনেল গেংশিংদা য়াওবশিংনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোরকখি।

বি জে পিগী লুচিংবী রেখা (৪৫) এম কাদিরেশকী অনীশুবা লোয়নবীনি। মহাক বি জে পিগী টিকেটতা বেঙ্গলুরু লোকেল সিভিক বোদিগী মীখলদা অনীরক মায় পাকখি। রেখাগী মপুরোয়বা কাদিরেশনা হিংলিঙৈদা মীহাৎপা, মীঙোন্দগী নমদুনা শেল লৌবা, মী হাৎনবা হোৎনবগী কেস কয়া মায়োক্লখি। মহাক্না কোটোনপোট এরিয়াদা গেং অমা লিংখি। পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌবগা লোয়ননা থীজিনবা হৌখ্রে।

# 'অফগানিষ্টানদগী য়ু এস ট্রুপশিং হন্দোক্লবা মতুংদা মিলিটেন্ট খরা কাশ্মিরদা চঙলকপা য়াই'



শ্রীনগর, জুন ২৬ (এজেন্সী):

অফগানিষ্টানদগী য়ু এস ট্রুপশিং হন্দোকপগী খোঙথাং অসিনা মিলিটেন্ট খরা কাশ্মিরদা চঙহল্লকপা য়াই, তৌইগুম্বসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফিভম খূদিংমক থেংননবা শেম-শাদুনা লৈ।

ৱাফম অসি শ্রীনগরদা বেজ তৌবা ১৫ কোরগী জি ও সী লেফটনেন্ট জেনরেল দাভেন্দ্র প্রতাপ পান্দেনা ইরাই নুমিত্তা জে এ কে এল আইগী রেজিমেন্টেল সেন্টরদা পাঙথোকখিবা পাসিং আওট পেরেদকী নাকোয়ননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, অজাদি হায়রিবসিদা ঙাওজরিবা মীওইশিংনা এল ও সিগী ৱাংমদা অমসুং পাকিস্টান-অফগানিষ্টান বোর্দরদা করি করি ফিভম লৈবগে হায়বসি খন্থগদবনি। চহী ৩০গী মমাঙদা থোকখিবা থৌদোকশিংনা কাশ্মিরগী মীয়ামদা অৱাবা চাওনা মায়োক্লহনখি। তশেংনমক, য়ু এস ফোর্সশিং অফগানিষ্টানদগী লৌথোকখিবা মতমদা মিলিটেন্ট খরা কাশ্মিরদা চঙশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্কী ফিভম চহী ৩০গী মমাঙ্গাদি মান্নদ্রে।

জি ও সিনা মখা তানা হায়, এল ও সী নৎত্রগা মনুং হঞ্জিনবা মফম খূদিংমক্তা ঐখোয়দা শীংনরকপা খূদিংমক মায়োক্লনবা অমসুং মিসিলটেন্টশিংগী থৌরাং খূদিংমক অরেম্বা তাহন্নবা ঐখোয়না মপূং ফানা শেম-শাদুনা লৈ। আর্মিগী ওইনদি মতম পূম্নমক্তা খ্বাইদগী মরু ওইবদি কনভেন্সনেল ট্রেনিং অমসুং মতুংদা কাওন্টর-ঈন্সর্জেন্সি ওপরেসনশিং নৎত্রগা কাওন্টর-ইনফিলট্রেসন ওপরেসনশিং অসিনি।

পুলিসনা ঐখোয়বু মখল খূদিংমক্কী ওপরেসনদা মতেং পাংহন্নিংলবদি ঐখোয়না মখোয়গা পূন্না থবক তৌমিন্নগনি। সিজফায়র লৈরবসু নৎত্রগা লৈত্রবসু ঐখোয়না মতম চুপ্পদা য়েক্লবদা মীৎয়েং থমগনি। এল ও সী নৎত্রগা মনুং হঞ্জিনবা মফম খূদিংমক্তা শীংনরকপা খূদিংমক মায়োক্লনবা ঐখোয়না শেম-শাদুনা লৈ। লেভেল খূদিংমক্তা ঐখোয়না ইফেক্টিভ রেস্পোন্স পীগনি।

অনৌবা খূৎলায় কয়া হাপচিনবগী মতাংদা পল্লদুনা জি ও সীনা হায়, খোঙথাং অসি নোর্মেল প্রোসেসনি। এল এ সীদা লৈরিবা চাইনীজ ফোর্সশিংগী ফিভম য়েংলগা ঐখোয়গী ফোর্সশিংসু চৎনগদবা মওংদা মেন্টেন তৌই।

মমাঙদা নার্কো-মোদ্যুলশিংগী মখাদা শেলদমক লাকপা থেংনখি। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি দ্রগসু য়াওরে। জে এন্দ কে পুলিসনা নার্কো-ইনফিলট্রেসন নীংথিনা থেংনরি। য়াম্লবা দ্রগশিং ফাবা ঙমখ্রে। মমা-মপাশিং, সিভিল সোসাইটি অমসুং ওজাশিংনা অঙাংশিংবু দ্রগতগী লাপ্না লৈহন্নবা হোৎনগনি।

হন্দক্তা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পোলিটিসিয়নশিংগা ন্যু দেল্লীগা ৱারী শান্নখিবদুনা কাশ্মিরগী সিক্যুরিটি ফিভমদা অহোংবা লাকহনবা লৈগদ্রা হায়না হংবদা মহাক্না হায়, সিক্যুরিটিগী ফিভম অমসুং পোলিটিকেল প্রোসেস অসি তোঙান তোঙানবা পোৎশক অনীনি। দাইলোগকী প্রোসেস লেপ্তুনা চথরি। সিক্যুরিটিগী ফিভম অসি তোঙান ৱাফম্নি। মসি তোঙান তোঙানবা লেভেলদা হেন্দল তৌগদবনি। মিলিটেন্ট নেটৱার্ক লৈরিমখৈ মীয়াম্না ঈংনা চিক্লা লৈবা য়ানবা সিক্যুরিটি গ্রিদ মথৌ তাই হায়না জি ও সীনা মখা তাখি।

# এক্স-মিনিষ্টর ১ ঈ দিনা কৌখ্রে

মুম্বাই, জুন ২৬ (এজেন্সী):

ৱানোমশেল লুপা ক্রোর ১০০ চাখিবগী চার্জশিংগা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং তৌনবগীদমক মহারাষ্ট্রগী হান্নগী হোম মিনিষ্টর অনিল দেশমুখ ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেটনা থাংজ নুমিত্তা লাক্লবা খঙহনখ্রে।

ঈ দিগী ওফিসলশিংনা ফোঙদো-রকপদা মশাগী চহী ৭১ শুরবা এন সী পিগী পোলিটিসন অসি কেস অদুগা মরী লৈননা মুম্বাইগী বাল্লাদ ইষ্টেট এরিয়াদা লৈবা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ঈ দি)তা ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসরগী মমাঙদা ষ্টেটমেন্ট পীরনবা খঙহনখ্রে। প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং ট্রষ্ট (পি এম এল এ)গী মখাদা সম্মন ইস্যু তৌখিবনি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখি।

সেন্ট্রেল এজেন্সি অসিনা মুম্বাই অমসুং নাগপুরদা রেইদশিং চথরবা মতুং ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা মহাক্কী পর্সনল সেক্রেটরি সঞ্জিভ পালান্দে অমসুং পর্সনল এসিষ্টেন্ট কুন্দন শিন্দে ফাখি।

থী-হুম্বা চথরবা মতুংদা মীওই অনী অসি ঈ দিগী ওফিসতা পুরকখি। মখোয় থাংজ নুমিত্তা মুম্বাইদা লৈবা অখন্নবা পি এম এল এ কোর্ট অমদা পুথোক্কদবনি। কোর্ট অসিদা ঈ দিনা মখোয়বু কষ্টদিএল ইন্টরোগেসন চথনবা রিমান্দ লৌগনি।

বোম্বে হায় কোর্টকী ওর্দর মতুং ইন্না সী বি আইনা প্রিলিমিনরি ইনক্বারি চথবগা লোয়ননা রেগ্যুলর কেস অমা লৌখৎলবা মতুংদা ঈ দিনা দেসমুখ অমসুং অতৈ চেন্নবশিংগী মায়োক্তা কেস রেজিষ্টর তৌখিবনি। হান্নগী মুম্বাইগী পুলিস কম্মিস্নর পরমবির সিংহনা দেশমুখতা শীরিবা শেল চাবগী মরালশিংগী মতাংদা য়েংশিন্নবা কোর্টনা এজেন্সি অসিদা খঙহনখিবনি।

# গোৱা-দেল্লী রাজধানি এক্সপ্রেস গুরুং চংখ্রে

মুম্বাই, জুন ২৬ (এজেন্সী):

থাংজ নুমিত্তা নিজামুদ্দিন-মদগাওন রাজধানি সুপরফাষ্ট স্পেসলগী মমাঙ থংবা চাকা রত্নগিরিদা লৈবা টন্নেল অমা ফাওরিঙৈদা ট্রেকতগী নাম্থোক্তুনা গুরুং চংখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু ট্রেন অদুনা কোনকান রেলৱে রুটকী উক্সি অমসুং ভোকে ষ্টেসনশিংগী মরক্তা লৈবা কারবুদে টন্নেল ফাওদুনা চৎলিঙৈ অয়ুক অঙনবা পূং ৪.১৫ রোম তাবদা থোকখিবনি। এক্সিদেন্ট অদু টন্নেল অদুগী নুঙ খরা ট্রেক অদুদা তাশিল্লকপদগী থোকখিবনি। তৌইগুম্বসুং, এক্সিদেন্ট অদুদা ট্রেন অদুদা তুল্লিবা পেসেঞ্জরশিংগী মনুংদা অশোক-অপন অমত্তা থোকখিদ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কে আর সীগী ওফিসল স্পোক্স-পর্সন অমনা ফোঙদোরকপদা, থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা রি-রেলিং ইকিপমেন্ট য়াওবা এক্সিদেন্ট রিলীফ ভেন অমা রত্নগিরিদগী মফম অদুদা সিনিয়র ওফিসলশিংগা লোয়ননা চঙশিন্দুনা কোষ্টেল রেল রুট অদুদা ব্লোক তৌরিবা পোৎশকশিং ঙন্না লৌথোকপগী থবক পায়খৎপা হৌখি।

পূং মরিরোম চুপ্পা কন্না হোৎনরবা মতুংদা ট্রেকতগী হাইদোক্লগা লোকোমোটিভ অদু নীংথিনা রি-রেল্ড তৌবা ঙমখি। ট্রেকশিং ফিট ওইরে হায়না সর্টিফায়দ তৌখিবগা লোয়ননা দেল্লী-গোৱা রাজধানি সুপরফাষ্ট এক্সপ্রেস লাইন ক্লীয়র ওইখ্রে।

ꯇꯦꯡꯒꯦ-ꯇꯧꯔꯝ / লান্ন-থৌরম



তাইবংপানসিদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বা **কোইজম মিনাকেতন**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা চৈচৎ ২১/০৬/২০২১ ইং, ইঙাগী ১১নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা মপূগী খূয়াখাদা চঙজখ্রে।

চৎলিবা চৈচৎ ২৬/০৬/২০২১ ইং, ইঙাগী ১৭নি পানবা থাংজ নুমীৎতা তরুকনি লৈহুন তমজরগা, চৎলিবা চৈচৎ ০২/০৭/২০২১ ইং, ইঙাগী ২৩নি পানবা ইরাই নুমীৎতা লান্ন-থৌরম থোক্কে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী থৱায় মিরেন্না মপূ মহাক্কী খূয়া খাদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবগীদমক ঙমজবা হৈরাং-লৈরাংগা লোয়ননা মপূগী মিংখৈ শক-শোঞ্জবগা লোয়ননা লান্ন-থৌরম পাঙথোকচদুনা থৌনীজগদৌরি। পাউচেগী থোঙদা লৈরাং-লৈহুৎ শিন্না পাউজেঞ্জবগী লঙজবা খিবিক ঙাকপীগনি।

**থৌগল ফংজরিবশিং ঃ-**

**কোইজম ইবেমহল (লোয়নবী)**

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১। কোইজম বাবাচরন | (মচানুপা) | ১। কোইজম ওংবী সোনিয়া | (মমৌনুপী) |
| ২। কোইজম অরবিন্দো | (মচানুপা) | ২। কোইজম দেবিকা | (মচানুপী) |
| ৩। কোইজম মোমো | (মচানুপা) | ৩। সাসমিতা কোইজম | (মশুনুপী) |


কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইরগা থৌরমশিং অসি ইমুং-মনুংতমক ওইনা পাঙথোকচরগনি।

থৌরম পরেং ঃ-
ৱাংলেন পুংজা ৮ : মপূগী মিংখৈ শোনবা
ৱাংলেন পুংজা ১০ : থৌরম লোইশিনবা

**মফম ঃ শিংজমৈ ময়েংবম লৈকাই** **# 9856070549**

HL-P/9961/26, 27

ꯊꯥꯒꯠꯄ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



**Naorem Ibomcha**

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**

Heingang Awang Leikai Saya Club

Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

# সুরটতা দেল্টা প্লস ভেরিএন্ট থেংনবদা খূদক্তা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা সী এমনা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ২৬ (এজেন্সী):

গুজরাটকী সুরট দিষ্ট্রিক্টতা দেল্টা ভেরিএন্টকী অনৌবা ভেরিএন্ট-দেল্টা প্লস থেংনখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিত্তা সেন্টরগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থকী দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র (দি ও ঐচ)না গুজরাটকী চীফ সেক্রেটরি (এস এস) অনিল মুকিমদা দিষ্ট্রিক্ট অদুদা খূদক্তা লাইচৎ লাকশিন্নবগী থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখ্রে।



ইরাই নুমিত্তা গুজরাটকী ভিক্টিম অনীদা কোরোনাভাইরসকী দেল্টা প্লস ভেরিএন্ট পক্লম্বা থেংনখ্রবা মতুংদা সুরট অমসুং দেল্টা ভেরিএন্ট কেসশিং থেংনরবা অতৈ মফমশিংদা খূদক্তা লায়না লাইচৎ লাকশিন্নবগী থৌরাং লৌখৎনবা দি ও ঐচকী রাজেশ ভুষন (আই এ এস)না অনিল মুকিমদা ইদুনা খঙহনখি। দেল্টা প্লস কেস অমা সুরটতা থেংনবদা নত্তনা মহারাষ্ট্রদা হৌজিক ফাওবদা থেংনরিবা দেল্টা প্লস ভেরিএন্টকী কেস ২০গী মনুংদা কেস অনী সুরটতা চৎলুবগী হিষ্ট্রি লৈ হায়না মহারাষ্ট্রা গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোরকখি।

কোরোনাভাইরস অমসুং মসিগী ভেরিএন্টশিংগী জিনোম সিক্বেন্সিংগী থবক শিন্নরিবা লৈবাক অসিগী লেবোরেটরিশিংগী কন্সোর্টিয়ম ওইরিবা ইন্দিয়ন সার্স কোভি-২ জিনোমিক্স কন্সোর্টিয়ম (আই এন এ এস সী ও জি)দা অনৌবা ভেরিএন্ট অসিবু য়েংনরিবা মফমশিংদা লৌখৎলিবা পব্লিক হেল্থ রেস্পোন্সকা মরী লৈননা অনৌবা ফেক্টশিং খঙহন্নবসু হায়খ্রে।

দেল্টা প্লসতা হেন্না শন্দোকপা ঙম্বা, লংসকী সেলশিংগী রিসেপ্টরশিংদা হেন্না চেৎনা নপশিনবা ঙম্বা অমসুং মোনোক্লোনেল এন্টিবোদি রেস্পোন্সতা রিপ্রদক্সন ঙম্বনচিংবা কেরেক্টরিষ্টিকশিং য়াওই হায়বসি আই এন এ এস সী এজেন্সিনা খঙহল্লক্লে হায়না বুশননা ফোঙদোকখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়েংদুনা গুজরাটকী সী এসতা মী পুনবা থিংবা, টেষ্ট পাক-শন্না পাঙথোকপা, খূদক্তা ত্রেসিং তৌবা অমদি ভেক্সিন কাপ্পগী থবক থুজিনবনচিংবা থবকশিংদা মায় ওনশিন্নবা ইন্সট্রক্সন পীখ্রে। দেল্টা প্লস পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী সেম্পলশিং আই এন এ এস সী ও জিগী দেজিগনেটেদ লেবোরেটরিশিংদা থুনা থাদুনা ইপিদিমিওলোজিগী ওইবা মরীশিং খঙদোক্লবসু দিরেক্সন পীখ্রে।

# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 60,20,000+9,604 | 57,70,000+10,138 | 1,20,000+511 |
| Kerala | 28,70,000+11,546 | 27,50,000+11,056 | 12,699+118 |
| Karnataka | 28,30,000+3,310 | 26,80,000+6,524 | 34,539+114 |
| Tamil Nadu | 24,60,000+5,755 | 23,80,000+8,132 | 32,051+150 |
| Andhra Pradesh | 18,70,000+4,458 | 18,10,000+6,313 | 12,528+38 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+206 | 16,80,000+320 | 22,381+15 |
| West Bengal | 14,90,000+1,933 | 14,50,000+1,975 | 17,551+35 |
| Delhi | 14,30,000+115 | 14,10,000+198 | 24,952+4 |
| Chhattisgarh | 9,93,000+293 | 9,72,000+710 | 13,423+8 |
| Rajasthan | 9,52,000+131 | 9,41,000+277 | 8,905 |
| Odisha | 8,94,000+2,912 | 8,60,000+3,644 | 3,801+40 |
| Gujarat | 8,23,000+123 | 8,09,000+431 | 10,045+3 |
| Madhya Pradesh | 7,90,000+50 | 7,80,000+198 | 8,871+22 |
| Haryana | 7,68,000+140 | 7,57,000+185 | 9,351+18 |
| Bihar | 7,21,000+207 | 7,09,000+365 | 9,576+3 |
| Telangana | 6,19,000+1,061 | 6,00,000+1,556 | 3,618+11 |
| Punjab | 5,94,000+338 | 5,73,000+768 | 15,956+12 |
| Assam | 4,96,000+2,793 | 4,62,000+3,977 | 4,370+26 |
| Jharkhand | 3,45,000+133 | 3,39,000+172 | 5,107+1 |
| Uttarakhand | 3,39,000+128 | 3,30,000+231 | 7,083+9 |
| Jammu and Kashmir | 3,14,000+498 | 3,04,000+871 | 4,291+7 |
| Himachal Pradesh | 2,01,000+153 | 1,96,000+318 | 3,465+2 |
| Goa | 1,66,000+222 | 1,60,000+277 | 3,027+5 |
| Puducherry | 1,16,000+261 | 1,11,000+363 | 1,739+5 |
| Manipur | 66,756+585 | 59,995+4,083 | 1,093+8 |
| Tripura | 64,159+291 | 59,768+390 | 665+3 |
| Chandigarh | 61,581+39 | 60,533+45 | 807 |
| Meghalaya | 47,480+602 | 42,001+354 | 814+7 |
| Arunachal Pradesh | 34,480+266 | 31,792+305 | 165+3 |
| Nagaland | 24,759+130 | 22,770+129 | 481+2 |
| Ladakh | 19,920+17 | 19,425+38 | 202 |
| Sikkim | 19,811+130 | 17,257+156 | 299+1 |
| Mizoram | 19,091+232 | 14,554+238 | 89+1 |
| Lakshadweep | 9,632+31 | 9,271+39 | 48+1 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,441+1 | 7,245+31 | 127 |